**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-08.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুর বিধান সভানা ঙসি তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী লুপা কোতি লিশিং ৩,৪৭৬ রোমগী দিমান্দস ফোর গ্রান্টস খন্নদুনা পাস তৌখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- ম্যান্মারগা তাইনরিবা কামজোং জিলাগী মফমশিংদা মাইন ফুল্লে হায়রিবা অসিগী স্পোট ইনক্বারি তৌরগনি।

৩) রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা লৌ উবা ঙমদ্রবা লৌমীশিংদা ক্রোপ কম্পেন্সেসন পীরি হায়না লৌউ শিংউ মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা ফোংদোকখ্রে।

৪) নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতিগী শেমগৎ শাগৎলিবা অসি হেন্না খুমাং চাউশিনহন্নবা রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা সংসদতা তকশিনখ্রে।

অমসুং

৫) কেরলাগী ৱায়ানাদ জিলাদা থোকখিবা চীং নীংখায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদবা মীগী মশিং ৩০০ য়ৌখ্রে, মীওই কয়ানা থিবা খঙদনা লৈরি হায়রি।

------

এসেমব্লি (এল) ঃ ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৬ শুবা মীফমগী ঙসি হুমি চনবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী লুপা কোতি লিশিং ৩,৪৭৬ রোমগী দিমান্দস ফোর গ্রান্টস খন্নদুনা পাস তৌখ্রে।

ঙসি পাস তৌখিবা দিমান্দশিং অদুদি- ষ্টেট লেজিসলেচর, কাউন্সিল ওফ মিনিস্তরস, সেক্রেটরিয়েট, ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন, হাউজিং এন্দ অবার্ন দিবলপমেন্ট, টেক্সতাইল কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ, পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ জষ্টিসকীনি। সভাগী লুচিংবা অমদি মুখ্য মন্ত্রি- নোংথোম্বম বিরেননা দিমান্দশিং অসি পুথোক্ত্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা পাস তৌখিবনি।

বিরেন (এল) ঃ  মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- ম্যান্মারগা তাইনরিবা কামজোং জিলাগী মফমশিংদা মাইন ফুল্লে হায়রিবা অসিগী স্পোট ইনক্বারি তৌরগনি।

ৱাফম অসি ফুংয়ার কেন্দগী এম.এল.এ লৈসিও কৈসিংনা পুখৎলকখিবা কোল্লিং এটেন্সন মোসনদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-কামজোংগী ম্যান্মারগী তাইনরিবা মফমশিংদা মাইন ফুমলে হায়রিবসি হান্না তারে। অদুবু মফম অদুদা ওফিসিয়েল ওইনা চত্তুনা স্পোট ভেরিফিকেসনদি তৌদ্রি। ম্যান্মারদা তংদু লৈতাদবা ফিভম লৈরবসু ৱাংলি নমলিগী মফম অসিদদি করিসু থোইদোকপা ইরাং লৈবা নত্তে। অমরোমদা, মাইন ত্রিতি অসি মালেমগী লৈবাক ১৬০ সহি তৌই। অদুবু ভারতকী ওইনদি মসি সাইন তৌদ্রি। সাইন তৌবা তৌদবা হায়বসি থমখ্রগা মাইন ফুমজিল্লক্তুনা মীচম প্রজাদা শোকপা শিবা য়াওরকপা অমদি নোংমগী শুরগা চাজরিবা খুঞ্জাশিংদা খুদোংচাদবা থোকহল্লক্লে হায়রবনিনা অথুবদা প্রধান মন্ত্রি, মপান থৌরম মন্ত্রি অমদি গৃহ মন্ত্রিগী থাক্তা ৱাফম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নবা মহাক্কী মাইকৈদগীসু হোৎনগনি। অদুগা রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবদসু ইনক্বারি রিপোর্ট থাদুনা মহাক্কী মাইকৈদগীসু কেন্দ্র সরকারদা য়ৌহন্নবা হোৎনগনি।

শ্রী বিরেন্না মখা তানা হায়- ফিভম অসিগী মতাংদা আসম রাইফলস, রাজ্য পুলিস অমদি সি.আই.দিগী কাংবুশিং থাদুনা থিজিনবগী তঙাইফদবদু লৈরে। মরম অদুনা ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসনগা তান্নরগা মপান থৌরম মন্ত্রিদা ৱাকৎলগনি। ৱাফম অসি লৈবাক অনিগী ওইবনা কেন্দ্র সরকারদা খঙহনবা তঙাইফদে।

স্পেপাট ইনক্কারি অদুগী মতুংইন্না থবক পায়খৎকনি। হায়রিবা মাইনশিং অদু ম্যান্মাররোম ফুন্নমবা ওইরগদি ম্যান্মার সরকারদা লৌথোকহন্নবা হায়গনি নত্রগা মণিপুররোমদা ফুন্নম্বা ওইরগনা অসাম রাইফলস অমদি রাজ্যগী লৈরিবা এক্সপার্টশিংনা লৌথোকহনগনি হায়নসু শ্রী বিরেন্না মখা তাখি।

এসেমব্লি (এল) ঃ হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্কনা লৈরিবা অরবান লোকেল বোদিগী মীখল শোইদনা পাঙথোকবা থৌরাং তৌরি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখ্রে।

মণিপুর বিধান সভাদা পুখৎলকখিবা কট মোসন অমগী পাউখুম পীরদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- অরবান লোকেল বোদিশিংগী মীখল পাঙথোক্কনা লৈরিবা অসি তোঙান তোঙানবা চৎয়েনবা খরা লৈবদগীনি। পঞ্চায়টকী ওইনা মীখল পাঙথোকবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখিবা লৈরে। মদুগী মতুংহন্না কেবিনেটনা লাক্লিবা সেপ্তেম্বর থাদা পাঙথোকবা খন্নরে। মখা তানা মীখলগী চপ চাবা মতম অমা পীবীনবা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনদা খঙহনখিবসু লৈরে। মহাকা হায়- এ.দি.সিগী ওইনা হিল এরিয়াজ কমিতিগী মাইকৈদগী দিলিমিতেসনগী তঙাইফদবা লৈ হায়বদগী এ.দি.সিগী মীখল অসি পাঙথোক্কনা লৈবনি। অদুমওইনমক, দিলিমিতেসনগী থবক অদু অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা কমিতিদা খঙহল্লগনি। লোকেল বোদিশিং লৈতবনা মীয়ামা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং সরকারনা খঙদবা নত্তে। মরম অদুনা হায়রিবা মীখল অসি শোইদনা চহি অসিদা পাঙথোকবা হোৎনগনি।

খন্নবা অদুদা কংগ্রেসকী এম.এল.এ- টি.ঐচ. লোকেশ্বরনা পুখৎলকপা কট মোসন অমগী পাউখুম পীরদুনা মহুৎ মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়- রাজ্য অসিদা বিল্ডিং বাই লো অসি তুং কোইনা চৎনহন্নবা সরকারনা হোৎনরি।
ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন, হাউসিং অমদি অরবান দিভলপমেন্টকী মতাংদা কট মোসন পুখৎলদুনা বিরোধি এম.এল.এ লোকেশ্বরনা হায়- রাজ্য অসিদা বিল্ডিং বাই লো চৎনহন্নবগী থৌরাং লৈতবা অমদি প্রোপরতি ভেল্যু টেক্স এক্ট চৎনহনবা ঙমদ্রিবা করিগীনো হায়বদু খঙহনবীয়ু হায়না হাউসকী পুকিং চিংশিনখি।

এ.এল.এগী ৱাফম অদু তারবা তুংদা মহুদ মন্ত্রি য়ুমনাম খেমচান্দনা হায়- অনৌবা বিল্ডিং বাই লো অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা অনৌবা চৎন কাংলোন কয়া য়াওরি। আইন অসি মপুংফানা চৎনহন্নবা হোৎনবদা হান্না নিয়মগী ৱাংমদা শারম্বা য়ুম কয়া অমা শোক্কদবা লৈবনা রাজ্য সরকারনসু য়ামা কুপা খন্নদুনা থবক পায়খৎনবা হোৎনরি। মহাকা হায়- হিরম অসিগী মতাংদা টাউন প্লান্নিং, মহুদ অমদি ম্যুনিসিপালিতিগী ওইবা মীফমশিং তোইনা পাঙথোক্তুনা ৱাফম কয়া খন্নখিবা লৈরে। আইন অসি রাজ্য অসিদসু চৎনহন্নবা কেবিনেটতা ফাওবা পুথোক্তুনা খন্নবা লৈরবনি।

এম.এল.এনা পুখৎলকখিবা কট মোসন অদুদা প্রোপরতি টেক্সকা মরী লৈনবা ৱাফম অদুগী পল্লদুনা মন্ত্রিনা হায়- লমদম অসিদসু হৌজিক প্রোপরতি টেক্স লৌবা হৌরে। ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামা প্রোপরতি টেক্স মতম চানা থিদোকশি হায়নসু আপীল তৌখি।

নিউজ (এল) ঃ হৌজিক তাবীরিবা মণিপুরী পাউ অসি হেক লোইবগা ঙসি চথখিবা মণিপুর বিধান সভাগী পাউদম তাবা ফংবিগনি। মদুগী তুংদা দিষ্ট্রিক্ট নিউজ লেটরদা, ককচিং জিলাগী ঐখোয়গী পাউমীনা পীবা পাউদম শন্দোকচগনি।

বিশ্বজিৎ (এল) ঃ রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা লৌ উবা ঙমদ্রবা লৌমীশিংদা ক্রোপ কম্পেন্সেসন পীরি হায়না লৌউ শিংউ মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা ফোংদোকখ্রে।

মণিপুর বিধান সভাদা ঙসি কংগ্রেস এম.এল.এ- টি.ঐচ. লোকেশ্বরনা পুখৎলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা শ্রী বিশ্বজিৎনা হায়- লৌউ শিংউ বিভাগনা খনগৎলবা লৌমীশিং হোম দিপার্টমেন্টনা দি.সিগী খুখাংদা কম্পেন্সেসন ওইনা শেলগী তেংবাং পীখিবা লৈরে। ক্রোপ কম্পেন্সেটরি পেকেজগী মখাদা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা লৌমী লিশিং ৩,৪৮৩ দা শেলগী তেংবাং পীখ্রে। অনিসুবা তাঙ্কক্তা তেবাংগী শেন্থংশিং অসি অপুনবা লৌমী লিশিং ২,০৭১ দা পীনবা

থৌরাং লৈরে। লৌমীশিংদা শেলগী তেংবাং পীনবগীদমক কেন্দ্র সরকারনা লুপা কোতি ২০৯ কাইথরকখিবনি।

মহাকা হায়- ক্রোপ কম্পেনসেসনগী কান্নবা ফংনবগীদমক প্রধান মন্ত্রি ফসল বিমা য়োজনা অমদি ক্রোপ কম্পেসেন্টরি পেকেজগী মখাদা চংদবা য়াদ্রবা চে চাং চুমা পীরক্লবা লৌমীশিংদা রিলিফ কেম্পতা লৈবা লৈতবা থিদনা থৌরাং অসিগী কান্নবা পীরি। অনিসুবা তাঙ্কক্তা তেংবাং পীনবা খনগৎলবা লৌমীশিং অসি মশাগী চে চাং শুরবা লৌমী ঙাক্তনি। অমরোমদা, হৌজিক ফাওবদা ইম্ফাল ইষ্টতা লৌমী ৩৬০, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ১৯৯, বিষ্ণুপুরদা লিশিং ১,০৩১, থৌবালদা ২৫, জিরিবামদা ৫১, কাংপোকপীদা ২৭২, চুরাচান্দপুরদা লৌমী লিশিং ১,১৩৭, তেংনৌপলদা ৩৫ অমসুং ককচিং জিলাগী ওইনা লৌমী ২৩১ দা শেলগী তেংবাংশিং পীখিবা লৈরে। করিগুম্বা মথৌ তারবদি অহুমসুবা তাঙ্কক্কী ওইবা লিষ্ট অমা শেমদুনা লৌমীশিংদা কান্নবা পীনবা হোৎনরি।

জিরো অৱার (এল) ঃ রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়ামা শান্তিগী ওইবা খোঙচৎ পাঙথোকপদা অথিংবা পীবীগনু অমদি পাউমীশিংগী নীংতম্বা খোঙগাউনবীগনু হায়না এম.এল.এ- টি.ঐচ. লোকেশ্বরনা হাউসকী পুকিং চিংশিনখ্রে।

ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা জিরো অৱারগী খুদোংচাবা লৌরদুনা এম.এল.এ- লোকেশ্বরনা হায়- ঙরাং রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়ামা মখোয়বু মশাগা ময়ুম হলহনবিয়ু হায়না চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা পুলিসনা চথুখিবা থৌওং অদু হাউসনা কন্দেম তৌফম থোকই। রিলিফ কেম্পতা লৈবনা মখোয়গী তুংগী হিংনবগী লন্মী উরক্তবা অমদি অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া অদুবু কোকহনবীনবা সরকারনা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিং লৌখৎপীনবা খোঙচৎ অদু চৎখিবনি। মহাকা হায়- খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা পাউমী অমবু মণিপুর পুলিসনা ফুখিবগী থৌওং অদু আইন লৈতবগী খুদমনি। পাউমীশিংনা থৱায় খুবাক্তা হাপ্পুনা মীয়ামদা অশেংবা ঈ-পাউ কয়া ফংহল্লিবনি। মরম অদুনা পাউমীশিংগী নিংখা তম্ববু খোঙগাউনবগী থৌওং মখা তানা চথুদনবা সরকারনা

মীৎয়েং চংহন্নিংই হায়না হাউসকী পুকিং চিংশিনখি।

সনাজাউবা (এল) ঃ  নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতিগী শেমগৎ শাগৎলিবা অসি হেন্না খুমাং চাউশিন্না পায়খৎপীনবা রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা সংসদতা তকশিনখ্রে।

ঙসি চত্থখিবা সংসদকী মীফমগী জিরো অৱারগী মতমদা শ্রী সনাজাউবনা হায়- রাজ্য অসিগী ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা কৌত্রুক্তা হৌজিক নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতিগী শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং অসি লমদমসিগী শান্নরোইশিংগী খনবীদুনা হেন্না খুমাং চাওশিন্না পায়খৎপীয়ু। শান্ন-খোৎনবগী লমদা মণিপুরনা লৌরিবা থৌদাং অসিবু খঙবীবা ওইনা কেন্দ্র সরকারনা রাজ্য অসিদা মালেম থাক্কী ওইগদবা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতি শেমগৎনবা ৱারেপ লৌখি। হায়রিবা য়ুনিভর্সিতি অসি লৈবাক অসিগী ওইনা ইহান হানবা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতি ওইগদৌরিবনি। মহাকা হায়- য়ুনিভর্সিতি অসিগী শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিংদা থেংথরিবা অসিগী মরম কয়া অমা লৈরম্বা য়াই। অদুবু মসি অথুবা মতমদা লোইশিনবগী তঙাইফদবা লৈ।

জিরিবাম (এল) ঃ  জিরিবাম জিলাগী লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা লুপা লিশিং অমমম য়েন্থোকখ্রে। শেনফমশিং অদু বিদ্যানাগর মল্টিপরপজ স্কুল কমপ্লেক্সতা লৈরিবা ইনমেটশিংদা য়েন্থোকখি। জিলা অসিগী লেমহৌরিবা শোরোক অতিংবী হাইস্কুল, চিলড্রেন হোম হরিনাগর অমদি বোরোবেক্রা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইনমেট ২৮১ গী ওইনা অথুবদা য়েন্থোক্লগনি হায়রি।

উখ্রুল (এল) ঃ  নুপীশিংগী ওইবা থৌশিলশিংগা মতাংদা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা এৱারেনেস কেম্পেন ঙসিদগী উখ্রুল জিলাদা হৌদোকখ্রে। উখ্রুল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, দিষ্ট্রিল লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি অমদি ৱান ষ্টোপ সেন্তরনা শিন্দুনা সংকল্প হব ফোর ইম্পৱারমেনট ৱিমেন (হিউ)গী মখাদা নুমিৎ ১০০

নিগী অখন্নবা এৱারনেস কেম্পেনগী মনুং চন্না ঙসি হৌদোকখিবা ৱার্কসোপ অদুদা জ্‌দিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট পি.এ. ফুনরৈসুং অমসুং দি.এম. কলেজগী এসোসিয়েসন প্রোফেসার ডাঃ চিংগ্রি ভাসুম শরুক য়াখি। মখোয়না অনিনা নুপীশিংগীদমক লৈরিবা স্কিম অমদি এপপশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

ককচিং (এল) ঃ  দিষ্ট্রিক্ট নাসা মুক্ত অভিয়ান এক্সন প্লানগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিং, দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিস ককচিংনা শিন্দুনা মীয়াম্বু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপালনা লুচিংদুনা ককচিং জিলাবু ড্রগ ফ্রি ওইবা জিলা ওইহন্নবগী ৱাশক লৌখি।

নোনে (এল) ঃ  নোনে জিলাদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা চুখিবা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়া চীং নীংখায়বা অমদি লৈনাং চেন্থরকপগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। রাংখুন অমসুং খুমজি ভিলেজ তাইনবা মফমদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম খঙহৌদনা চীং নিংখায়রকপদগী গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা থোক্লে। মসিনা মরম ওইরগা গাড়ি অমদি মীওই কয়া পন্দুনা লৈরে হায়রি।

অমরোমদা, নোনে জিলাগী নেসনেল হাইৱে-৩৭ অমসুং লোংমাই পার্ট ৱান অমদি টুগা শমবা ইন্তর ভিলেজ রোডতা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চীং নিংখায়খ্রবা মতুংদা মখা তানা রিটেন্নিং ৱালশিং শেমজিনবগী থবক হৌজিকসু মখা তানা চথরি। লোংমাই পার্ট ফোর পিছলেন্দগী খুঞ্জাশিংনা ঙসিসু শেমজিনবগী থবক চথুখি। শেমজিনবগী থবক অসি ভিলেজ দিভলপমেন্ট কমিতি অমসুং ভিলেজ ওথোরিতিগী মীৎয়েং মখাদা চথবনি।

ৱাকৎ (এল) ঃ  ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা হিয়াংলম ৱাবগাই লমখায় ইমা কৈথেল শাবা লোইশিন্দবগী মায়োক্তা ঙসি কৈথেল ফম্বীশিংনা কৈথেল অসিদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। মথং থা ফাওবগী মনুংদা কৈথেল অসি শাবা লোইশিন্দ্রবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চংশিনগনি হায়রি।

কেরলা ঃ কেরলাগী ৱায়ানাদ জিলাদা থোকখিবা চীং নীংখায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদবা মীগী মশিং ৩০০ য়ৌখ্রে। হৌজিক মীওই কয়াসু থিবা খঙদনা লৈরি হায়রি।

থৌদোক্কা মরী লৈননা মী কনবগী থবক হৌজিকসু কন্না চথ্থরি। ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা আর্মদ ফোর্সকী কাংবুনা পাদাভেতিকুনুদগী মীওই মরি কনবা ঙমখি। মীওই লিশিং ১,৫০০ না টিম ৪০ খায়দোক্তুনা মী কনবগী থবক চথ্থরি। সরকারগী পাউনা হায়- মাংখিবা মীওইশিং থিননবা লৌখৎফম থোকপা থৌরাং পুমমক লৌখৎলি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা বায়ানাদতা মীওই লিশিং ৯ হেন্না তোঙান তোঙানবা রিলিফ ৯১ দা চংজফম লৌদুনা লৈরি।

অমরোমদা, হিমাচল প্রদেশতা নোং কন্না চুবদগী চীং নীংখায়বদা হৌজিক মীওই কয়া থিবা খঙদনা লৈরি। এন.দি.আর.এফ, এস.দি.আর.এফ. পুলিস, হোম গার্দ অমদি ফয়ার বৃগেদকী অপুনবা কাংবুনা মাংখিবা মীওইশিং থিবগী থবক চথ্থরি। ঙসি কুলু জিলা মালানা দামগী টন্নেলদগী মীওই মরি কনবা ঙমখি।

কনফরেন্স ঃ নুমিৎ নিনি চথ্থগদবা রাজ্যপালশিংগী মীফম ঙসিদগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা হৌখ্রে। মীফম অসি রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকপনি। রাজ্যপালশিংগী মীফমদা রাস্ত্রপতিনা সভাপতি ওইবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। মীফম অসিদা রাজ্যশিংগী রাজ্যপালশিংনা শরুক য়ারি। উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখর, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং অতৈ কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিংসু মীফম অসিদা শরুক য়ারি।

মীফম অসিদা ক্রিমিনেল লো অহুম চৎনহনবা, অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বদা অওনবা পুরকপা অমসুং য়ুনিভরসিতিশিং এক্রেদিটেসন তৌবা অমদি মপুং ওইনা মীৎয়েং থল্লিবা হীরমশিং শেমগৎ শাগৎপা য়াওনা রাজ্যপালশিংগী থৌদাং অমসুং রাজ্য রাজ্যদা তোঙান তোঙানবা কেন্দ্রগী এজেন্সিশিং পুন্না থবক তৌমীন্নবগী ৱাফমসু খন্নরি।

**ওলিম্পিক্স ঃ** পেরিস ওলিম্পিক্স গেমসতা ভারতকী অনকিতা ভাকৎ অমসুং ধিরাজ বোমাদেবরা আরচরিগী মিক্স টিম ইভেন্টকী সেমি ফাইনেল চংলে। ঙসি শান্নখিবা নুপাগী হোক্কিগী পুল মেটচ অমদা ভারতনা ওষ্ট্রেলিয়াবা পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে। ভারতকী নুপী সুত্তর মানু ভাকর মিতর ২৫ গী রেপিদ ফয়ার পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেল চংলে। হয়েং নুংথিল পুং ১ দা ফাইনেল শান্নগনি।

গেমস অসিদা চাইনানা সনাগী ১২, লুপাগী ৭ অমসং শেঙ্গেংগী ৭ পুন্না তকমান ২৬ ফংদুনা অহানবা মফমদা লৈরি। য়ুনাইতে ষ্টেটসনা অনিসুবদা অমসুং ফ্রান্সনা অহুমসুবা মফমদা লৈরি।

------